## দিল্লিদা মৈ চাকপদা মীওই ৪ শিরে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল দিল্লিদা লৈবা ফেক্টরি অমা মৈ চাকখৎলকপদা মীওই মরি শিখ্রে। কা-হেন্না মশা নোয়বা মীওই অমা থোকফমদা থোকপা য়াদদুনা লৈবদগী লম্বী থৎচিনবা মরম্না বিল্ডিং মনুংদা লৈরম্বা মীওইশিং চেন্থোরকপা ঙমখিদবনি হায়না ফায়র ফাইটর অমনা ফোঙদোকখি।

দিল্লি ফায়র সার্ভিস (দি এফ এস) কী ওফিসলশিংনা হায়খি, ফি শুবদা শীজিন্নবা কেমিকেল অমা শোয়বদগী লৈমায়দা হৈদোকখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৩ তাবদা মৈ চাকখৎলকখিবনি। কেরোল বাঘতা লৈবা বেদোনপুরাগী ফেক্টরি অমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ফেক্টরিদা ফি শুবগী থবক তৌবা শিন্মী ঙাক্তনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। কা-হেন্না মশা নোয়বা মীওই অমনা থোঙদা থদৎচিন্দুনা লৈখিবা মরম্না বিল্ডিং মনুংদা লৈরম্বা মীওইশিং মপান্দা চেন্থোরকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ফায়র টেন্দর অনী থৌদোক থোকফমদা থুংলখিবগা লোয়ননা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ তাবদা মৈ মুথৎপা ঙমখি হায়না ফায়র ফাইটর অমনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতসু দিল্লিগী বাবা খরক সিংহ মার্গতা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখি। অয়ুক পুং ১১.৩৫ তা মৈ চাকপগী পাউ ফংবদগী ফায়র টেন্দর মরি চঙশিন্দুনা মৈ মুথৎখি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুরুগ্রামদা ৱেষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেসৱে শঙ্গাখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুরুগ্রামদা ঙসি কুন্দলি-মনেসর-পলৱাল (কে এম পি) এক্সপ্রেসৱে শঙ্গাখ্রে।

এক্সপ্রেসৱে শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙদা পাল্লন্বা লৈঙাক্না মরম ওইরগা এক্সপ্রেসৱে লোইশিনবদা মতম থেংথখিবনি। নাকল অমরোমদা, কোংগ্রেসনা হায়খি মদুদি, মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা প্রোজেক্ট অমা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না তহা-তহা শঙ্গাবগী মরম খঙনিংই।

কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস মনুংদা শীজিন্নবা হৌনবগী পান্দম থমখিবা এক্সপ্রেসৱেনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা মরম কয়াদগী তঙাইফদনা এক্সপ্রেসৱে শেন্স্বগী থবক থেংথখিবনি। মমাঙগী লৈঙাক্না অশোয়বা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবনা মতম চানা লম্বী শেন্স্বা ঙমখিদে। ময়েক্কীদি চহী ৮ গী মমাঙদা এক্সপ্রেসৱে শেন্স্বা লোইশিল্লমগদবনি। অদুবু কম্মনৱেল্থ গেমসতা শেঞ্জা-থুমজা তৌখিবগুম লম্বী শেন্স্বগী থবক্তসু অপনবা কয়ামরুম মায়োক্নখি।

শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা কোংগ্রেসনা মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিবা প্রোজেক্ট শঙ্গাবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মীৎয়েং থল্লগা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রন্দিপ সুর্জেৱালানা ফোঙদোকখি।

ফ্লাই ওভর শাবা লোইশিন্দ্রি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৈঙাক্না মীওই কয়াগী পুন্সি খুদোংথিবা মায়োক্লহ-নগদৌরে। শাবা লোইশিন্দনা শঙ্গারিবা কে এম পি এক্সপ্রেসৱেনা পেসেঞ্জরশিংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা থোকহনবা য়াই। কন্সল্টেন্ট অমদি ঐচ এস ঐচ দি সীতগী কমপ্লিসন সার্টিফিকেট লৌদনা অমসুং মরী লৈনবা এঞ্জিনিয়রশিংনা য়েংশিনবা তৌদনা লম্বী হাংদোক্লিবসি খুদোংথিনিংঙাইনি।

কিলোমিটর ১৩৬ শাংবা ৱেষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেসৱে হায়নসু খঙনবা কে এম পি এক্সপ্রেসৱে হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা শেমগৎপনি। অদুবু ইষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেসৱে অমদি ৱেষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেসৱে শেন্স্বদা লেন্দ এক্যুইজিসন তৌবদা চঙবা শেনফম পুন্নমক দিল্লি, উত্তর প্রদেশ অমসুং হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা পুথোকপনি। এক্সপ্রেসৱে অসিনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ১, নম্বর ১০, নম্বর ৮ অমদি নম্বর ২ শন্নহন্দুনা সোনেপাৎ, ঝাজর, গুরুগ্রাম, মেৱাট অমসুং পলৱাল দিষ্ট্রিক্টশিং ফাওনা চৎলি।

হৌজিক্তি এক্সপ্রেসৱে শীজিন্নবা হৌরবনিনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা লম্বী চিনবগী চাং খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। অৱাংথংবা হরিয়ানাদগী গুরুগ্রাম, ফরিদবাদ অমদি পলৱালনচিংবা খাথংবা দিষ্ট্রিক্ট ফাওবা খোঙজেল য়াংনা গাড়ী থৌবা য়ারগনি। অৱাংথংবা ইন্দিয়াদগী চৎপা মীওইশিংনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি ফাওবগী মথৌ তাররোই। লম্বী চিনবগী চাং হন্থরক্লবনিনা দিল্লিদা পোল্যুসন থোকপগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্লমগনি হায়না থাজনরি। কুমজা ২০০৬ তা পায়খৎপা হৌখিবা প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০০৯ দা লোইশিন্নবা পান্দম থমখিবনি।

## সুপ্রীম কোর্টনা কর্নেল পুরোহিটকী পিটিসন হিয়ারিং চথনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
সুপ্রীম কোর্টনা লেফটিনেন্ট কর্নেল প্রসাদ স্রিকান্ত পুরোহিটকী পিটিসন হিয়ারিং চথগদবনি হায়না বোম্বে হায় কোর্টতা খঙহনখ্রে।

নবেম্বর ২১ দা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (যু এ পি এ) গী মখাদা প্রোসিক্যুসন চথনবগী অয়াবা পীখিবা থৌওং অদুবু শিংনরদুনা লেফটিনেন্ট কর্নেল প্রসাদ স্রিকান্ত পুরোহিটনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

কর্নেল পুরোহিটকী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট নিলা গোখলেনা হায়খি, কোর্টনা অয়াবা পীদ্রিঙৈদা চার্জসিট থাঙ্গৎপা চুমদে। হৌজিক হৌজিক হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা ৱাফম ওইবনা হিরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱায়েল পীদ্রিবফাওবা ট্রাইয়েল কোর্টনা কর্নেল পুরোহিটকী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌরোইদবনি।

হায় কোর্টনা ৱাফম অসিগী অয়াবা পীখিদ্রবা মতুংদা কর্নেল পুরোহিটনা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখি। সুপ্রীম কোর্টনা ৱায়েল চথরবা মতুংদা হায় কোর্টতা অমুক হিরম অসিগা মরী লৈননা কর্নেল পুরোহিটকী পিটিসন হিয়ারিং চথনবা খঙহনখি। এপেক্স কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না বোম্বে হায় কোর্টনা অথুবা মতমদা ৱায়েল চথরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না গোখলেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা স্পেসল কোর্ট অমনা কর্নেল পুরোহিট অমসুং অতোপ্পা মীওই তরুক্কী মথক্তা মালেগাউন ব্লাষ্ট কেসকা মরী লৈননা ট্রাইয়েল চথবা হৌখ্রবনি।

কুমজা ২০০৮ দা মহারাষ্ট্রা মালেগাউন মনাক্তা লৈবা মোর্স অমদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই তরুক শিখিবনি। চৈরকসিদা, এন আই এগী স্পেসল কোর্টনা থৌদোক অদুগী ফোটোগ্রাফ অমসুং ভিদিও ফুটেজ পীশিল্লক্নবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ৩০ দা মহারাষ্ট্রাগী স্পেসল নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীগী কোর্টনা মালেগাউন ব্লাষ্ট কেসতা চেন্নবা মীওই তরেৎকী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌবা লৈখ্রবনি। মীওই তরেৎমক্না মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু স্পেসল কোর্টনা চার্জ ফ্রেম তৌখিবনি। লেফটিনেন্ট কর্নেল স্রিকান্তনা পুরোহিটনা চার্জ ফ্রেম তৌদনবা ৱাকৎলকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিদে।

বোম্বে হায় কোর্টকী ৱায়েল শিংনদুনা সুপ্রীম কোর্টতা আপিল তৌগদবা লৈবনা চার্জ ফ্রেম তৌবীদনবা পুরোহিটকী উকিলনা হায়জখি। অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা প্রোসিক্যুসন চথবীগনু হায়না পুরোহিটনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমসু এন আই এগী কোর্টনা অয়াবা পীখিদে। পুরোহিট অমদি অতৈ মরাল শিরিবা মীওই পুন্নমক্কী মথক্তা লোগী মতুংইন্না ট্রাইয়েল চথরগনি হায়রি।

## দেবাস্বোম বোর্দনা সবরিমালাগী মতাংদা পীখিবা কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্নবা মতম খরা পীবীয়ু হায়জখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী):
কেরলাদা লৈবা সবরিমালা টেম্পলগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লিবা ট্রাবাঙ্কোর দেবাস্বোম বোর্দনা সেপ্টেম্বর ২৮ দা পীখিবা সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোক্নবা মতম খরা পীবীয়ু হায়জখ্রে।

চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং লাইশঙদা চঙদুনা লাই খুরুম্বা য়াহনগদবনি হায়না সেপ্টেম্বর ২৮ দা সুপ্রীম কোর্টনা য়াথং পীখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা কোর্টকী য়াথং অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। পিটিসন অমদা বোর্দনা হায়খি, লাইশঙদা তঙাইফদনা শেমগৎতবা য়াদবা কয়ামরুম লৈবনা খুদত্তা কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবনি।

সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অদুগী মতুং তারকপদা অহুন্নকশুবা ওইনা ইরাই নুমীৎকী নুমীদাংৱাইরমদা লাইশঙগী থোঙ হাংদোকখি। অদুবু মীওই কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা মশাগী চহী ১০ দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপী অমত্তা লাইশঙদা চঙহনখিদে। এক্টিভিষ্ট ত্রুপতি দেসাইবু কোচি এয়রপোর্টতগী প্রোটেষ্টরশিংনা নমদুনা হলহনখ্রবা মতুংদা বোর্দনা কোর্টতা পিটিসন অমা থাঙ্গৎলগনি হায়না লাউথোকখি। লোর্দ অয়াপ্পগী সবরিমালাদা লৈবা লাইশঙদা মমাঙদগী চৎনদুনা লাকপা থৌওং পুন্নমক কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা বি জে পিনা কসারগোদতগী রথ যাত্রা অমা পাঙথোকপা লৈখ্রে।

ওপোজিসন পার্টি কোংগ্রেসনসু কসারগোদ, অল্লাপুঝা, তিরুৱনন্তপুরম, থোদুপুজা অমসুং পলকাটনচিংবা মফম কয়াদা খোঙচৎ চৎতুনা সবরিমালাগী মতাংদা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙহনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

সবরিমালা সমরক্সনা যাত্রা হৌদোকপগী থৌরমদা কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা হায়খি, সী পি আই-এমনা লুচিংবা কেরলাগী লেফ্ট দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এল দি এফ) গভর্ণমেন্টনা হিরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবা মতমদা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনফম থোকই। সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল শিংনবা লৈতে। অদুবু কেরলা গভর্ণমেন্টনা মীপুম খুদিংমক্কী পূক্নিং শোকহল্লোইদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্না লাইশঙগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহন্নবা অতম্না হোৎনরকপনি হায়নসু মহাক্না মরাল শিখি। সুপ্রীম কোর্টনা চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং চঙহনগদবনি হায়না ৱায়েল পীখ্রবসু সবরিমালাগী লাইশঙদা থাগী খোংকাপ লাকপগী চহী মতাং ওইরিবী নুপী অমত্তা চঙহন্দনা লাইশঙগী থোঙ লোনখ্রবনি। সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০০০ হেন্না থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু নুপী চঙহনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা পাউমীশিংদা ফাওবা এটেক তৌরকপদা কেমেরা পার্সন অমা অশোক অপন নংখি। যুবী য়াওবা খাউ অমা লংশিল্লকপদগী মলয়ালম টেলিভিজন চেনেল অমদা থবক তৌবা কেমেরা পার্সন অমা শোকখিবনি।

## সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মানা সী ভি সীগী রিপোর্টকা মরী লৈননা এপেক্স কোর্টতা পাউখুম পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন (সী ভি সী) না শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতাংদা সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী দিরেক্টর অলো বর্মানা ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা পাউখুম পীখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা পাউখুম পীরক্নবা এপেক্স কোর্টনা খঙহনখিবগী মতুংইন্না অলোক বর্মাগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। গভর্ণমেন্টনা সী বি আইগী দিরেক্টরবু মথৌ তৌহন্দনবগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা হিয়ারিং চথরগনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বর্মাগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট গোপাল সঙ্করনরায়ননা এজেন্সীদা হায়খি, কোর্টতা মতম খরা পীবীনবা হায়জখিবা তারবসু সিল তৌরবা বর্মাগী পাউখুম নুংথিল পুং ১ দা সুপ্রীম কোর্টকী সেক্রেটরি জেনরেলদা পীশিনখি। নবেম্বর ১৬ তা এপেক্স কোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, সী ভি সীনা শেঞ্জা-থুমজাগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্টকা মরী লৈননা মপুং ফাবা পাউখুম অমা অলোক বর্মানা সিল তৌরবা এনভেলপতা হাপ্লগা নিংথৌকাবা নুমীৎকী পুং ১ ফাওবগী মমাঙদা পীশিল্লক্কদবনি।

সী ভি সীনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মাদা ফংহনগদবনি হায়না মমাঙদা সুপ্রীম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রবনি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস এস কে কোল অমসুং জষ্টিস কে এম জোসেফকী বেঞ্চনা হায়খি, ইনক্বারিগী রিপোর্টতা অলোক বর্মাগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরি। রিপোর্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং কুপ্পা নৈনরবা মতুংদা করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনগনি। সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালদা সিল তৌরবা সী ভি সীগী রিপোর্ট পীশিনখি। বেঞ্চ অদুনা হায়খি, রিপোর্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং কনাগুম্বা মীওই অমত্তা খঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। সী ভি সীনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মায়োক্তা সেন্টর নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা পাউখুম পীরকপা য়ারোই।

হৌজিক হৌজিক সী বি আইগী দিরেক্টরগী থৌ পুরিবা এম নাগেশ্বর রাওগী মতাংদা কম্মন কোজ কৌবা এন জি ও অমনা পুখৎলকপা ৱাফমগী মতাংদা চীফ জষ্টিস গোগোইনা হায়খি, কম্মন কোজনা শিরল্লিবা মরাল অদুগী মতাংদা খুদম চাংদম ওইবা য়াবা ৱাফম অমত্তা য়াওরক্তে। অথুবা মতমদা এন জি ও অসিনা খুদম ওইবা য়াবা ৱারোলশিং কোর্টতা পীশিল্লক্কদবনি।

পনবা য়াবদি, সী বি আইগী স্পেসল দিরেক্টর রাকেশ অস্থনাদা দিল্লি হায় কোর্টনা পীবা ইন্টরিয়ম রিলিফকী মতম নবেম্বর ২৮ ফাওবা শাংদোকহনখ্রবনি। শেঞ্জা-থুমজাগী মরাল শিরকখ্রবা মতুংদা অস্থনাবু ছুটি পীদুনা থাদোকপসু লৈখ্রে। মমাঙ চয়োলদা অস্থনা অমসুং সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক বর্মানা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্সন কম্মিস্নারগী কে ভি চৌধরিগা উনদুনা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মতাংদা মশা-মশাগী ওইবা মোত পীখি।

## ষ্টেটকী মীখল মতুংদা চন্দ্রসেখর রাওনা থর্দ ফ্রন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি : রমা রাও

হায়দ্রবাদ, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সী):
ষ্টেটকী এসেমব্লী মীখল লোইরবা মতুংদা তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিটিগী লুচিংবা কে চন্দ্রসেখর রাওনা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স অমসুং য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্সকী মায়োক্তা অনৌবা ফ্রন্ট অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পার্টিগী লুচিংবা কে টি রমা রাওনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা মার্চ থাদা চন্দ্রসেখর রাওনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা থর্দ ফ্রন্ট অমা শেন্স্বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। রাওনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিবু মমতা বেনর্জি, ঝরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা হেমন্ত সোরেন অমসুং ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইটেহাদুল মুস্লিমিনগী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ও ৱাই সীনচিংবা লুচিংবা কয়ানা শৌগৎনরকখি।

রাওনা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা দ্রাবিদা মুনেত্রা কঝগম (দি এম কে) গী লুচিংবা এম করুনানিধিগসু উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রে। কে টি রমা রাওনা হায়খি, লৈঙাক পায়দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পার্টি ময়াম পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপা নত্তে। লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা তঙাইফদনা এন দি এ অমসুং যু পি এগী মায়োক্তা অনৌবা ফ্রন্ট অমা শেম্নবা হোৎনরকপনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI**

***Ref:- Mut. Case No. 1001/SDC/IW(P) of 2018***

Shrimati Thongam Memcha Devi W/o late Thongam Biren Singh of Taobungkhok Makha Leikai.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Shri Thongam Biren Singh S/o Thongam Maipak Singh of Taobungkhok.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

19/11/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৭৮/৪ অংস/ ৫৭/৬৪৭ অনৌবগী দাগ নম্বর ৯৪/৫১২ গী পোইন্ট ০.৭২ (পোইন্ট তরেৎ অনী) একর চাওবা ফৌরেল লম অসিগী কে: পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৯/১১/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

*HL-P/5706/20*

## / মেদাম লাংলেনবু থাগৎচরি



**LUKRAM NABAKUMAR (65)**, Sagolband Tera Lukram Leirak তা লৈবা ঐ মতম কুইনা নুংশঙনা খোঙ হান্নিংলগা হান্বা য়াদবা, শা-ঙা তোইনা চাবা য়াদবা অমদি নঙ্গনদা ঘি অপোম্বা অমা লৈবদু মেদামনা হিদাক গুল্লি য়াওদনা ফঙহল্লে। মসিগীদমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

**KHANGJENGBAM SHYAMO**, Kontha Ahallup তা লৈবা ঐ মতম কুইনা অজমানা লোক শীৎতোকপা ঙমদবা, মখোল থোক্লা খৌদেম্বা ঙমদবা, তুম্বদা এল্লর্জি তৌবা অমদি ফুনগৎতুনা শ্বর হোনবা ৱাবা, হকচাং শোন্থদুনা থবক নীংথিনা শুবা ঙমদবা, য়েংবা য়াবা য়েংবদা দোক্তরগী হিদাক গুল্লি চাবদসু ফত্তবদগী মেদামনা য়েংবীবদগী পুন্নমক ফরে। থবক শুবা ঙল্লে অমদি তুং কোইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

*লায়েংফম ঃ* **Khurai Ningthoubung Tinsid Road (Near Khurai Lamlong Bazar)**

***Contact No.* ☎ 8974671844**

*HL-P/2538/20*

## /শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ১৮/১১/২০১৮ *হুইয়েন লানপাউ* পাউচেগী মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোঙখিবা "লৌমী কয়ানা লৌউ-শিংউ লোইশঙ ৱারৌরে" হায়বা ৱাফমদা থৌবাল অমদি ককচিংগী মফমশিং মরুওইনা এলাংখাংপোকপীদা ফৌহাম শাৎপগী মতাংদা এগ্রিকলচর ওফিস থৌবালনা ৱাফম খরা থমজরি মদুদি, এগ্রিকলচর ওফিস থৌবালনা লৌমীশিংদা অফবা মরু-মরাং ফঙহনবা, হার ফঙহনবা লোয়ননা মতম মতমগী লায়না তিন্না ঙাকথোকপা, অনৌ অনৌবা লৌউ পথাপ শীজিন্নহনবগী থবকশিং অসি তৌদুনা লাক্লি। লৌউ-শিংউবদা য়াম্না মরুওইরিবা ঈশিং অসিদি এগ্রিকলচর ওফিসকী মখাদা লৈতবা মরম্না ঈশিং পীবা ঙমদে। মহৌশাগী খুদোংথিবা ঈকং, ঈচাও, মৈহৌ-লাংপোক, নোংলৈ-নুংশিৎ, লৈবাক নিংখাইবা, লেন তাবা, লায়না-তিন্না অসিনচিংবদি এগ্রিকলচর ওফিস অসিনসু কনবা ঙমদে। অদুবু লৌমীশিংগীদমক এগ্রিকলচর ওফিস অসিনা খরমখৈ মেনখৎপা ঙম্নবা ঈশিং চীংবা য়াবা মফমশিংদা পম্প সেট লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি। মাঙখিবা ফৌথোকশিংসি খরদং মেনখৎনবা নিংথম মরু-মরাং পীনবা মরী লৈনবশিংগা খন্নরগা পাক শন্না থানবা থবক লৌখৎলগনি। মসিদা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা ৱারৌবিদনা মতেং পাংবীয়ু।

*শেংদোকচরিবাঃ* **এস লেম্বা সিংহ**
***দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, থৌবাল***

*HL-P/3703/20*

## URGENTLY REQUIRE

Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017, Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Primary Teacher Training Course(Urgent Required) 100% Job Placement After Completion The Training | | | |
| 2. | Urgent Imphal Post Vacancy – First Come First Chance | | | |
| | i. Sweeper (Man & Women for Hospital) | 20 | VIII/X/XII | 5,000-15,000 |
| | ii. Banking Sitting Staff (North East & Imphal) | 10 | XII/G | 15,000-40,000 |
| | iii. Account Opening Below 25 Years | 15 | G/M | 15,000-30,000 |
| | iv. Micro Finance Staff CRO/RO | 20 | G/M | 15,000-30,000 |
| | v. Micro Finance Staff PO/Loan Officer/BDO | 15 | X/XII/G | 15,000-30,000 |
| | vi. Office Front Reception/Attendant | 10 | X/XII/G | 4,000-15,000 |
| | vii. Company Driver (Light Vehicle) | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | viii. VIP Driver (Light Vehicle) | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | ix. Man Guard/Ladies Guard | 20 | VIII/X/XII | 5,500-10,000 |
| | x. Home Delivery Staff/Sales Executive | 30 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | xi. Writing Copy at Home (Housewife/Student) | 20 | VIII/X/XII | Rs. 350 per copy |
| 3. | All India Post Vacancy Of Airlines & Airport at Bangalore(Semi Govt. Job) for - 100% Guide and Success | | | |
| | i. Cargo Loader/ Helper | 10 | X/XII | 15,000-40,000 |
| | ii. Guest Service Agent(GSA) | 20 | X/XII | 18,000-60,000 |
| | iii. Ground Staff/CSA (Direct Air Asia) | 10 | G | 15,000-70,000 |
| | iv. Cabin Crew | 20 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | v. Porters Staff/Hatty Coffee | 20 | G | 30,000-80,000 |
| | vi. VIP Launch | 10 | XII | 10,000-30,000 |
| | vii. Direct Indigo Airport Driver/Pushack Operator | 10 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | (Heavy/Light) | 20 | X/XII | 15,000-70,000 |
| | viii. Airport Security /ATC | 15 | X/XII | 16,000-50,000 |
| 3. | No Donation & No Deposit Work at Imphal – First Come First Chance | | | |
| | i. Area Counselling Manager | 20 | X/XII | 8,000-20,000 |
| | ii. Warden/Helper/Mali | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | iii. Sale Man/Car Wash | 15 | VIII/X/XII | 6,000-15,000 |
| | iv. Computer Operator | 5 | X/XII | 5,000-10,000 |
| | v. Marketing Manager/Data Entry | 10 | X/XII | 6,000-15,000 |
| 4. | Shipping Staff Cruise Line (Man/Female) | 20 | X/XII/G | 40,000-90,000 |

Last Date of Submission : 24-11-2018
Date of Interview : 26-11-2018
Office Hour 10:00 am to 03.30 pm


Pliz Contact:
**Kanglei Guidance Centre**
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎: 8575764834 / 8794951292 / 9077766104

HL-P/5612/30/10-17/11(Alt)&19-24Nov.

**DELTA Tutorials**
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur

**ADMISSION OPEN** ☞ **Revision**

Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials




CBSE 2018

**CBSE** Class X & XII (Sc/Arts)

**COHSEM** Class XII (Sc/Arts)

Seperate Experienced Teachers for **CBSE & COHSEM** from Reputed Schools

COHSEM 2018



For Student's Convenient - Class will start from 14th Nov., 2018

Class Timing: 4.30 to 7.30 pm

Available Van & Hostel

Last Date of Admission 12th Nov., 2018

HL-B/4961/3/11-2/12

**SMART TUTORIAL CENTRE**
SINGJAMEI SUPER MARKET RADHESHYAM SHOPPING COMPLEX, IMPHAL- 795008



TOPPERS OF THE S.T.C. IN HSLCE 2018
2nd Position Holder **PATEL LAIRENJAM** | 23rd Position Holder **HUIDROM HELEN**



**ADMISSION OPEN**

6th REVISION COURSE CLASS X & ( XII Sc.)

7th FOUNDATION COURSE CLASS X START ON 10th DECEMBER 2018

Sub:Maths,Sc,S.S,MM,Eng,C/Sc,H/Sc & H/Maths.

BATCHES : Morning & Evening FACILITIES:-VAN SERVICE & HOSTEL Contact No. 8730999192

For Detail :Visit Smart Tutorial

HL-P/5488/7/10-4/12(Alt.)